ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৬, ২০১২ ইং, নিংথৌকাবা
৩৭ শুবা চহী, ০৬ শুবা মশীং

## পোল্লিং স্তেসন খরদা ভোত হনখিবা

**জনুৱারি** ২৮দা ভোত থাদনবদা হিংশা থোকখিবা, বুথ কেপচরিং তৌখিবনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মরমশিংদগী চীংগী দিস্ত্রিক্তশিংগী তোঙান-তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্র ১১ গী পোল্লিং স্তেসন ৩৪ দা তাং ৪ দা অমুক হন্না ভোত থাদনখ্রে। চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসর, মণিপুরনা মরী লৈনবা আর ও (রিতর্নিং ওফিসর) শিংগী রিপোর্ততা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্সন কম্মিসন ওব ইন্দিয়াদা ভোত হন্নবা রিকম্মেন্দ তৌবদা কম্মিসন্না অয়াবা পীরকপা মতুংইন্না চান্দেল দিস্ত্রিক্তকী ৪১-চান্দেল অমসুং ৪২-তেংনৌপলগী পোল্লিং স্তেসন ৪/৪; উখ্রুল দিস্ত্রিক্তকী ৪৫-চীংঙাইগী ৯; সেনাপতি দিস্ত্রিক্তকী ৪৮-মাওগী ১ অমসুং ৪৯-তদুবীগী ৭; তমেংলোং দিস্ত্রিক্তকী ৫২-তামৈগী ১, ৫৩-তমেংলোংগী ২ অমসুং ৫৪-নুঙবাগী ১ অমদি চুরাচান্দপুর দিস্ত্রিক্তকী ৫৫-তিপাইমুখকী ২, ৫৬-থানলোনগী ২ অমসুং ৫৭-হেংলেপকী পোল্লিং স্তেসন ১ গী ভোত হনখিবনি। ভোত হনখিবা পোল্লিং স্তেসনশিং অদুগী মনুংদা চান্দেল বিধান সভা কেন্দ্রগী ৪১/৪০-তামপিসু য়াওখি। হায়রিবা পোল্লিং স্তেসন অদুদা হৌখিবা জনুৱারি তাং ২৮ দা ভোত থাদনবদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা মীশি-মীনা থোকপদগী ভোত থাদনবা লোই-শিন্দনা খাংতপ্পা লেপখিবনি।

পোল্লিং স্তেসন ৩৪ দা অমুক হন্না ভোত থাদনবদা পামদবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা অমসুং ভোত্তরশিং অকি-অখং য়াওদনা ভোত থাদবা ঙমহন্নবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসর, মণিপুরগী মায়কৈদগী অকনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিং-থৌরাংশিং লৌখৎখি। মমাঙদা বিধান সভা কেন্দ্র ৬০ গী ঔজিলারি পোল্লিং স্তেসন ৮ য়াওনা অপূনবা পোল্লিং স্তেসন ২৩৬৫ দা ভোত থাদনবদা সেন্ত্রেল পেরামিলিতরি ফোর্সেস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সেস কম্পনি ৩৫০ শীজিন্নখিবদা শুপ্নগী পোল্লিং স্তেসন ৩৪ দা ভোত হনবদনা সেন্ত্রেল পেরামিলিতরি ফোর্সেস কম্পনি ৯৩ শীজিন্নখি। পোল্লিং স্তেসন খুদীংমক্তা সেক্যুরিতিনা মরোল মরোল নাইনা ঙাক শেনবতা নত্তনা ভোত্তরশিংসু নীংথিনা চেক তৌরগা ভোত থাদবা চঙহনখি। পোল্লিং স্তেসন অমখক্তা ঈরাং থোকপা নত্তনা অতৈ পোল্লিং স্তেসনশিংদা শান্তি ওইনা ভোত থাদনখি। পামদবা, থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদে। অদুবু কিহন-খংহনবা লৈখিব্রা হায়বগী চিংনবা লৈনদবদি নত্তে।

ভোত হনখিবা পোল্লিং স্তেসনশিং অদুদা ভোত থাদবগী চাং মমাঙগী মীখলশিংগা য়েংনরুবদা হন্দক্লা হন্থখি। চাদা ৪১ রোমগী চাংদা য়াম্না নেম্না ভোত থাদনবা য়াওখি। এজেন্ত মশীং শুনা ফমদবা পোল্লিং স্তেসনশিংসু য়াওখি। সেনাপতি দিস্ত্রিক্তকী ৪৯-তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং স্তেসন ৭ তা ভোত হনবদা পোল্লিং স্তেসন ৫ দা মীরেপ অমগী এজেন্তশিং ফমখিদে। অকি-অখং য়াওদনা শান্তি ওইনা মীখল পাঙথোক্লবা পোল্লিং স্তেসনশিংদা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেন থৌরাং হান্নদগী শরুক অনী/অহুম হেন্না কনখৎহনখ্রবসু পোল্লিং স্তেসন অয়াম্বদা ভোত থাদবগী চাং নেমখিবা অমসুং পোল্লিং স্তেসন খরদা মীরেপ খুদীংমক্কী এজেন্তশিং শুনা ফম্নখিদবা অদুনা মীরেপশিংদা অমসুং ভোত্তরশিংদা কিহন-খংহনবনচিংবা লৈখিব্রা হায়বগী চিংনবা পোকহন্নিংঙাই ওইহন্দবা নত্তে।

*“অপাম লাইথুং চয়রোয়নববু হেন্না লাইজ ঈখৌলাংবা অমা লৈতে।”*
— চরাইরোংবা খুনগুম

## শ্রদ্ধাঞ্জলি

## কেনাদাদা মণিপুরী খুনাই অমগী মঙ মঙজরম্বী

**শিবা** হায়বসি মী ওইনা পোক্লক্লবদি নোংমদি শোয়দ্রবনি লোইনমক্লা খঙনৈ। অদুবু... “ইচানুপীসে ইন্দিয়াদগী লাকপনি হায়রগা তাজমহল উদ্রি হায়বসিদা নুংঙাইত্রে, দিল্লীদা নোংমা লৈরগা য়েংহল্লগে।” হনবগী লম্বীদা দিল্লীদা নোংমা লৈরগা তাজমহল য়েংলুরগা হল্লকপগী খোঙচৎতুদনি আশা কয়াগা লোয়ননা হিংজরম্বী মহাক্লা বৃন্দাবনগী লাইশঙদুদগী থোক্লকপদা থোকখিবা এক্সিদেন্তদুদা লৈখিদবদু। হে ঈশ্বর, নঙবু নীংজবগী খোঙচৎতুদা আশা কয়াগা লোয়ননা হিংজরম্বী মাবু অদুম্মা ননাক্তা লৌশীনখিবদুমদি ঐ নঙবু ৱারৌই। মদুমক্তি হেনমনদ্রনে!



দা. হিজম ইবেয়াইমা
(১৩।১২।১৯৫৮–২১।১।২০১২)

মখোয়গী ইমুং ইং ২০০২ গী অগস্ততা কেনাদাদা ময়ূম হোংখি। মপুরোইবা আর কে শ্যামানন্দ, মচানুপী ৩— শীতল, সীবার্দ, স্তারী রাজকুমারীগা লোয়ননা। থবক ফংদবগী হিংনবগীদমক নত্তে। নোংম-নোংমগী মফম-মরাঙ খঙলক্ত্রিবা ঐখোয়গী খুনাই, শেঙ্গা-থুমজা, মীহাৎ-মীপূন মরকসিদগী নাথৈরগা তুংগী মীরোল অমা মফমদুদা শেমগৎপগী মঙ মঙলদুনা, চাওখৎলবা লমদম অমদা ঐখোয় মণিপুরীশিংগী খুনাই অমগী অচৌবা আশা অমা কোকথোঙ নারদুনা মখোয় চৎখিবনি। মশামক মতমদুদা ইন্দস্ত্রিজ দিপার্তমেন্ততা জিওলোজিস্ত ওইনা অচৌবা ফম পায়রিবীনি। মপুরোইবা দা. শ্যামানন্দ মাস্তেক্কী একজিক্যুতিব দিরেক্তরনি। অদুবু মখোয় ময়ূম হোংখি। মণিপুরীশিংগী তুংগী লাইবক লেপ্পকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরকপা ঙম্বা মৈতৈ মচাশিং মফমদুদা শেমগৎনবগী পান্দমদা। মদুমক্লা কেনাদা মণিপুরী এসোসিয়েসন শেমখি অমসুং রা. কু. শ্যামানন্দনা মদুগী প্রদিসেন্তগী থৌ পুখি। মফমদুদা লৈরিবা মণিপুরী মচাশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা ঐখোয়গী নাৎ অমসুং কলচর কন্নবা য়োকখৎনবা হোৎনখি। মদুদা দা. ইবেয়াইমনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। য়াউশঙ কূম্মৈ লাকপদা মখোয় মশেল পূনশিন্নদুনা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোকমিন্নৈ, থাবল চোংমিন্নৈ। চহীগী নিঙোল ওইবীশিংগী কূম্মৈ নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মফমদুদা লৈরিবা নিঙোলশিংগা চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকমিন্নৈ। ঐখোয়গী লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহারোল কয়ানা ঙাওচৎননা, থবক ফংদবগী অৱাবা চৈথেঙ খাঙবা উবদা কেনাদাদা লাক্লীংবা, লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহারোল লৈরবদি থারকউ অঙম্বা মতেঙ পাংগে তত্তনা হায়রম্মী। ইচন্নুপী নোমিতানা কেনাদাদা চৎখিবদা হরাওজনা নুপী ফাওবনা কয়াদা মরীল লৈনা লাক্লগা নুপাশিংনা লাক্তববু পেন্দনা শোল্লকখি। চাওখৎলবা লমদমদুদা লৈরবসু মমা লৈবাকপু পূমকাউ কাউথোকপা ঙমখিদে। মচানুপীশিংবু ঐখোয়গী কলা সংস্কৃতি খঙহন্নবা-- মাইবী জগোয়, খম্বা থোইবী জগোয়, লাই হরাওবগী শৈশক শক্তম য়াওবা কেসেৎ কয়া হরাওজনা মণিপুরদা লাকপদা পুজখি। পহারীগী ‘হে ইমা মণিপুর’ গী ঈশৈ তাজরগা মাগী খোয়রী নাউফম ফুমখ্রবা মরমদম্বু হায়ফম খঙদনা নুংশিজদুনা কয়ারক কপখিবগী ৱারী লীখি।

অমুকখক মহাক্লা ইং ২০০৮ দা মণিপুরদা থোক্লকপগী খোঙচৎতা দ কলচরেল ফোরম, মণিপুরনা শীনবা স্তদী সার্কল অমদা ইচেম্মনা মাগী মরমদম মণিপুরদা তৌনরিবা থবক শূবগী মতৌবু নীংঙমদনা হায়— “...কেনাদাসু মণিপুরসু গ্লোবেল ইকনোমীদা প্লেয়র ঙাক্তনি, পীকপা চাউবগী ৱা থোইদোক্তে। অদুনদি, মতম মাঙহন্দনা লেপ্তুনা শূ-নোমদুনা চৎলিবা মখোয়গা মতম মাঙহন্দুনা ঙসিগী থবক হয়েংদা ঈন্থোক্তুনা লৈবা মণিপুরী ঐখোয়গা করম্বা কান্দা চাওখৎপা মান্নরকখিগনি?”

খঙদে ইচেম্মা, নঙদি ঐখোয়দা তম্বা ঙমদবা মীওইবগী মপোক্নি হায়বদু নশামক্লা ঊৎলম্লগা চৎখ্রে। নঙগুম্বী পূকচেল চাউবী, মীতেক-মীরৌ খঙবী, মীওক-মীচান ফবী অমদি পুন্সিসিদা অমুক উবা ফংলোই। নঙগী নতারোয় ইচেম্মা বিমোলতানা নঙগী লৈতবগী পাউ তাবদা কপ্লদুনা হায়-- “মদুবু ওইথোকপা য়াব্রনে? মাদি ঐখোয়গুম্বীসু নত্তে। য়াম্না এদবেঞ্চর্স ওইবী, থৌনা লৈবীনি।” অদুবু নঙদি হন্দক্লা অহুল্লক শুরেদনা নঙগী পোক্লফম লমদমসিদা লাকপা চৎখিঙৈদগী। হন্দক্তনি নচানুপী সীবার্দকা লাকমিন্নবা, মমাঙদদি নথন্তনি লাকখিবশিংদু। হৌজিক্তি ঐগী ই-মেলদা নঙগী চিঠী অমুক হন্না পাবা ফংলরোই। নঙগী কেনাদাগী তোরোন্তোগী অৱা-নুংঙাই ৱারী অমুক হন্না তাবা ফংলরোই। নঙগী খোঞ্জেল ঐগী সেলফোন্দা অমুক হন্না লাক্লরোই। নচন্নুপীনা হায়খিবা ইচেম্মদি মীরমদা লৈজরবসু স্বায়দা লৈবা ইচেম্মশিংদগী হেন্না নক্লৈ ঙসিদি করি অমুক হায়রনি মাসু! ইচেম্মা শান্তিনা অঙাওবীগুম চোইরোল লোল্লকই, “ওন্থোক্লা পাম্মুই, পাম্মুই।” অদুবু ইচেম্মা নঙদি নঙগী অরোইবসিদদি নঙগী খোয়রী নাউফম তাখিবা লমদমসিদা নঙগী হকচাংনা ঊৎ ওইনা অমুক তিল্লরেদো!

হে মণিপুর,
ঐ কদাইদসু চৎলোইকো নঙবু থাদোক্তুনা খক
ঐ কদাইদসু চৎলোইকো নঙবু থাদোক্তুনা খক,
ঐগী হকচাং পোলাংসিনা উৎ ওনখ্রবসু
নঙগী নথানুংদা ঐনা উৎ ওইনা তিনগনিদো অমুক
অতৈ মফম কৈদসু তিনলোইকো ঐহাক;
নঙগী নথাদা হল্লক্কনিদা ঐ শোয়দনা।
(শ্রীবীরেন, *চৎলোইকো ঐ মফম কদাইদসু*)❑

*--সোমোরেন্দ্রো*

# শৈরেং লাইরিকশিংগী ঈচাউ মরক্তগী ঃ পরশুরামগী ‘ঐ অমসুং ঐগী ইমা’

**ইং** ১৯৬৩ গী অগস্তকী তাং ১৫ ভারতকী স্বাধিনতা দিবস নুমিৎতা মণিপুরগী আকাশবাণী ইম্ফালগী রেদিও স্তেসন হাংদোক্লে। মসিগী মতুং চহী অনী হৌখ্রবা মতম ইং ১৯৬৫ অদুৱাইদা রেদিওগী ঈশৈ ময়েক ইবা স্তেসন অসিনা ‘এপ্রুব’ তৌরবা মীওই ১০ শুরমগদবা মান্দে। ঙসি চহী ৪৮ গী মতুংদদি স্তেসন অসিনা এপ্রুব তৌরবা লিরিসিস্ত চাম্মরিগী মথক্তা হেল্লে। এপ্রুব তৌরবা শৈশকপা কলাকারনা চাম্মঙাগী মথক্তা হেল্লে। চহী ২/৩ গী মমাঙদা রেদিওগী মণি-মালাগী চিথীগী পাউখুমদগী খঙজখিবনি। ঐগী ইয়াম্বা ঈশৈ ময়েক ইবনদি হায়-- “রেদিওদা এপ্রুব তৌবা নত্তবশিংসু থারগদি ঈশৈ ইবা মীগী মশীং চাতরেৎ চানিপালবু শুরমগনি।” ১৯৬৫ গী মতম অসিৱাইদা মণিপুরী সাহিত্যগী হিংলিবা লাইরিক ইবা, কবি, সাহিত্যকারগী মশীং কুন ফাওবা শুরম্লোই। চহী অমদা সাহিত্যগী লাইরিক অহুম নৎত্রগা মরিদগী হেন্না ফোঙদে। মতমদুদা লাইরিক ফোঙবগী পাউ লামায় অনীখক্তং পানবা মৈতৈলোনগী খবরদা য়াওদে। বুক রিলিজগী ফঙ্কসন হায়বদু মমিং ফজনা তাদে। (ঐজ্ঞা নীলবীর শাস্ত্রীনা হেক হেক হায়— “লাইরিক ফোঙবা নুমিৎতা লাইরিক্কী ষষ্ঠি পূজা পাঙথোকসি। ঐখোয় অইবশিংনা অঙম-অঙম্বা দান থাদনসি।”) ঙসিদি নোংমাইজিং নুমিৎ অমদা মফম ২/৩ দা ফাংনদুনা লাইরিক ফোঙবগী ফঙ্কসন পাঙথোক্লুরে। মী মঙা তরুক্লা স্তেজদা লেপ্পগা মথবাক্তা লাইরিক অমমম নপ্পগী খবরশিংদা কলর ফোতোশিং হাপ্পরে। মৈতৈলোনগী লাইরিক অমনা ভারতকী মফম ৩/৪ দা অমসুং বাংলাদেশতা নোংমতদা পূংফম অমত্তদা রিলিজ ফঙ্কসন পাঙথোকখিবগী পাউ খবরদা থেংনরে। মসিসু পৃথিবীগী মফম অতৈদা তাদে— লাইরিক অদু তোঙান-তোঙানবা লোন্দা হন্দোক্লগা নোংমতদা তোঙানবা মফমশিংদা রিলিজ তৌবদি য়াওরম্বসু য়াই। সিনেমাদি ভারতকী অচৌবা শহরগী মফম ৪/৫ দা ফিল্ম অমবু নোংমতদা রিলিজ তৌবগী পাউদি তত্তনা তায়। সেল্ফ প্রমোসন সেল্ফ পব্লিসিতি পামজবা থোক পাম্বা মৈতৈ মচাশিংগী মরক্তগী খরা থোরকপদা কৈসু ঙক্লীংঙাই ওইদে। অদুগা অইবা নীপা অমগী লাইরিক ৩/৪ নোংমদা ফঙ্কসন অমত্তদা ফোঙবগী পাউসু তারে। কনাগুম্বা নীপা অমগী ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক তরা ফঙ্কসন অমদা অমুক্তংদা ফোঙবগী পাউ তারে। মসিসু পৃথিবীগী মফম অমত্তদা থোকখিবগী পাউ তাদবা ‘গীন্নিস বুক ওব ৱার্ল্ড রেকোর্দস’ তা চনবা য়াবা অতাঙবা থৌদোক অমনি। মণিপুরদা মশাগী লাইরিক ৪০/৫০ ফোঙলবা মমিং লৈরবা অইবা অমা অনী লৈরে। জি সি তোংব্রাদি হন্দোকপসু থারগা লাইরিক চাম্মগী মথক্তা ফোঙখ্রে হায়। লাইরিক পূম্নমক্তুগী মমিংশিংগী লিস্তকী রেকোর্দতি থেংনদে।

হৌজিক মণিপুরদা মশীং য়াম্না ফোঙনরিবা মৈতৈলোনগী লাইরিকশিংগী মরক্তা শৈরেংগী লাইরিক্লা খ্বাইদগী হেল্লি। (কৈথেলদা খ্বাইদগী শীৎতবসু শৈরেং লাইরিক্লি।) চহী ১৫/২০ গী মমাঙদদি ৱারীমচাগী লাইরিক্লা তুংথ-মাঙথ চেনমিন্নরম্মী। হৌজিক্তি ৱারীমচাগী লাইরিক ফোঙবগী পাউ পঙনা তাদ্রে। শৈরেংগী আঃ মনীংদা লৈহৌরে। চহী অহুম মরিগী মমাঙদা নহা ওইরিবা কবি অমসুং ক্রিতিক অমগা ঐগা ৱারী শানৈ— “মণিপুরদা শৈরেং লাইরিক ফোঙলবা কবিগী মশীং চনীদগী হেল্লম্বা য়ারে।” মদু ভাবনা শারগা লেপ্পনি। কনানসু অশেংবা মশীং পুথোকপা ঙমগদবা মান্দ্রে। ঐখোয়গী মমিং লৈরবা কবি অহল অমদি মশাগী শৈরেং লাইরিক কুন হেন্না ফোঙখ্রে হায়না তায়। অদুনা শৈরেং পাথোকপগী থৌরম অমদা ঐখোয়গী মমিং লৈরবা ইংলিস সাহিত্যগী প্রোফেসার অহল অমনা হায়— “মণিপুরসি ইংলন্দগুম্না 'Land of singing bards' হায়বা য়াই।” ওজাগী মোতসি তশেংনা সেরিয়স ওইনা হায়রিব্রা নৎত্রগা মৈতৈলোনগী শৈরেং ইজরিবশিংবু হরাওনবা হেক্তা হায়জিনবিরিব্রা মদুদি খঙবা ঙমজদ্রে। (কবি সম্মেলন্দি অয়াম্বা মতমদা ফাগি তাই। ভাবোক্লা তানীংদে পামদে।)



মণিপুরগী শৈরেং লাইরিক ফোঙবগী ঈচাউ মরকসিদা হন্দক মশাগী চহী ২৪ তমক শুরিবা য়াম্নমক শীংথানীংঙাই ওইরবা কবি নহা অমগী শৈরেং লাইরিক অমা থেংনৈ। অঙাং অসিগী মমিং পরশুরাম থিংনাম কৌই। ককচীং খুন্নৌদগীনি। হৌজিক্লা দিল্লীগী মমিং চৎলবা কলেজ অমদা ইংলিস সাহিত্যদা মাস্তর তৌরি। হৌখিবা চহী ইং ২০১১ গী জুলাইগী তাং ২৪ দা ইম্ফালদা ফোঙখিবা লামায় ১০০ পানবা শৈরেং লাইরিক অসিগী মমিং ‘ঐ অমসুং ঐগী ইমা’ কৌই। মশাগী চহী কুন শুবদা অহানবা শৈরেং লাইরিক ‘মীগী মচু’ (২০০৭) ফোঙখ্রে। হৌখিবা চহী ২৪/২৫ গী মনুংসিদা ফোঙখিবা ঐনা পাজখিবা মণিপুরগী নহা ওইরিবা কবিশিংগী শৈরেং লাইরিকশিংগী মরক্তা হন্দক্কী লাইরিক অসিমুক নুংঙাইবা, এক্সাসাইত তৌবা, অনৌবা মহাও পীবা ঙম্বা, “এঃ মসিমদি!” হায়নীংবা য়াওখিদ্রি। মহাক্কী ইনহিবিসন য়াওদনা ইকোম কোম্না নুপীগী ‘ন্যুদিতি’ বু থারকপা (কামগী ঈরাং পোকহন্নবা নত্তে, গ্রাফিক ওইনা থাবা নত্তে, শৈরেংগী থিম্না পীরকপা দরকার ওইবা অদুতমক য়েক্লকপনি), মথৌনা লৈনা মণিপুরগী লালহৌবগা মরী লৈনবা ফীবমশিংবু ফোঙদোকপা, লাইরিক্তগী ফংবা মচাক ময়াম হাপচীল্লগা পণ্ডিত শারগা ইবা নত্তবা (পণ্ডিতনা ইরকপা শৈরেংদা কবি ওজা নীলকান্ত খক্তংনি অশেংবা ফজবা কবিতা ইরকপা), মীগী মতৌ তম্লগা অমদগী খরা লৌশিন অমদগী খরা শিন্দোক্লগা ইরকপা নত্তবা, মশাগী ওরিজিনেলিতি য়াওনা, ইন্সপিরেসন্দগী ইরকপা, লাইরিকসিগী শৈরেং খরনা ঐবু পূমঙাও ঙাওহনখি। শৈরেং ৪৪ য়াওবা লাইরিক অসি কৃপ্পা নৈনজরোই; চুম্নতগী অপাবশিংদা শক তাকচবতনি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ‘ঐগী ইচে’ (লা. ৩৯) কৌবা শৈরেং অসিদা গেং রেপ তৌবিখ্রবা কবিগী মচেগী মরমদা অসুম্না থারি—

“ঐগী ইচেবু খুল চঙদুনা রেপ তৌখিবা নুমিৎ অদুগী ঐ চাক মরু অমত্তা চারক্লে। ইয়া অসিদা ঈশিং ঈরীক অমত্তা তারক্লে।/নোংম-নোংমগী মনিল ওইনা মাঙখ্রবা ঐগী হকচাংগী তোংশা, ঙসিদি মকু খক্তা ঙায়হৌরে।/মসিনা কৃপ্পি ঐগী শোল্লবা শরু।/ঐগী ইচে, ঐগী শকয়েং মিংশেলনি।/ঙসিদি কনা অমত্তনা ঐগী ইচেবু রেপ তৌবিররোই অদুনা ঐগী ইচেনা চৎলি— মফি-মরোল অমত্তা থোংদনা অহিং নুংথিল লৈরক খুল্লক কৈথেলদা। ঐগী ইচে, ঙসিদি কয়াদা মনীং তম্লবা।”

চম্না ফজরবা ইমেজরীগা কোন্ননা আইরোনি অমসু হাপ্লিবা প্রোজ পোইমগী পরেংশিংনি। শৈরেং অসি মখা তারকই— “ঐগী ইচেদি পোকখায়গদৌবগী ঙাইদুনা লৈরবা বোম্লি।/ইচেনা শিনীংই খুল অমা চেন্নদুনা।/নোংমদি মহাক লৈশাৎ তমগদৌরি।/খুলগী লাই হরাওবদা জগোই মকোক ইচেনা চিংই/ইচেগী মতুং ইল্লিবা খুলগী লৈশাবী মৌ পুম্নমক ইচেগী লান্মীনি। হৌজিক ফাওবদি ঐগী ইচেগী হকচাংদা ঈ চেল্লি। ঈ অদু অঙাঙবনি।” খুঙ্গংগী ইথোজ হাপ্পা পরেংশিং অসিগী মখা তারকপদা মহাক্কী মচেবু লৈকোলগী পোম্লিবা লৈরাং ওইনা থারকই। মহাক্কী চাদা নাউদাগা কোন্ননা মহাকসু মচু কয়াগী মরক্তা লৈশাৎ তল্লকই। অদুগা মখোয় পূম্নমক “লোইনমক রেপ তৌবিখ্রবা চনুরাশিং” ওইরুবনা, বোম ওইনা পোকখায়রক্কদবগী মীৎলুদা পিরাংগী মৈনা চূদুনা ঙাইরি হায়না মখা তারকই।

মথক্কী শৈরেং অসিগা থিমদি হাইফেৎ মান্নবা অদুগা হেন্না পেসনেত ওইনা থারকপা, মচা খায়বা শক্তমশিং শাগৎপা শৈরেং অমনা “ঐগী ইচেগী লুহোংবা” (লা. ৪০) অসিনি। শৈরেংসি মপূম ওইনা পুথোকচরি—

ঙরাং অহীংদগী থিবা খঙলক্ত্রবা ঐগী ইচে
ঙসি নোং ঙাল্লকপা অমম অঙান শিন্নরকপদদি
পাউ তারে—
ইচেদো লুহোংখরে
নুপা ময়ূমদা চৎখরে
অমুক উবা ফংলরোই।

ঐগী ইচেগী ফিশাকোন্দা
য়েৎশীন্দুনা তারম্মী
মপুন ফারবা ইচেগী শম্ব্রৈ কোক্ত্রিবা শল্লাং
ঙরাং নুংথিল ইচেদো
চেঙই শম্বাল লাংখিবনি
বসন্তদা লেন্নগনি খন্দুনা
ইচেগী ৱাহোংনা কল্লকপা য়াম্লবা শম।

পলেম পম্থৌ লৈকায় মরূপ মপাঙ
লোইনা কপই, উবা ফংলরোইদবা মীগী ওইখ্রবী
ঐগী অমত্তা লৈজবী ইচেদুনা লুহোংখিবদা।

ঐগী ইচেনা অয়ুক খূদিংদা লাঙজবা
তখেল্লৈ নাচোম, শূমাঙ মতোন্দা
লৈরাং মপোপ কায়না তারমই—
মদুবু লোনলাংখাদা থমজদুনা ইচেনা
বসন্তবু খৌরাংনা শোঞ্জবনি
অহীং খূদিং নুমিৎ খূদিং মঙলান্দা তাউদুনা
ঐগী ইচেগী শমগী মনম হিংলি নাচোমদুদা।

খঙদে,
ঐগী ইচেনা অসুক তমথীনা লুহোংখ্রিবা অসি
করিগীনো?

ঐগী ইচেগী
লৈ মচুগী ইন্নফি
কোম্থোঙগী কোরোন্দা* য়েৎশিন্দুনা লৈরম্মী।

ফুরিৎনা খুঞ্জীন্দা, ফনেক্লা চীংখোঙদা।

ঐগী ইচেদো তশেংনমক লুহোংখ্রবনি
ঙরাং অহীং শীৎখিবা হূ পুবা নোংলৈ নুংশিৎ
অদুদা
ইচেদো মফি অমত্তা পক্তনা
থক থক নীক্লা— খা চীক্লা।

(* ‘কোম্থোঙগী কোরোন’-- কোম্থোঙগী পুনা পোরোন’ হায়বনি হায়বা ককচীং খুন্নৌগী অহল অমদগী খঙবা ঙম্মী। লৌম্থৈ ওইনা তৌই।)

সাবাস পরশুরাম সাবাস! নঙগী চহী মতাঙসিদা ঐহাক্লা অসুক ফজবা থম্মোয়দা শাফূ কন্না য়েবা ঙম্বা শৈরেং ইবা ঙল্লম্লবদি কয়াদা নুংঙাইরমগনি! মচেবু রেপ তৌবিখিবগী তমথীরবা থম্মোয় শোক্লবা থৌদোক অসিবু আইরোনিকেল ওইনা ‘লুহোংখিবগী’ সিম্বলদা পুথোক্লি। অদুগা মতাঙ অনীদা পল্লিবা মচেনা লেন্নজবা পান্নিবা ‘বসন্ত’ অসিবুনা বসন্ত ঋতুবুরা নৎত্রগা মহাক্লা নুংশিজবা খৌরাংনা ঙাইজবা মশক ফজরবা পাখঙ অমরা?

কবিগী খুনগী ওল্লক্লিবা হিংবগী লৈখা তারবা ফীবম্বু অসুম্না থারি—

ঐগী লমদমগী নূপীমচাশিংনা কপ্লম্মী
মফি থোক্লবফাওবদা চানিঙাই ফংদ্রবদা—
অয়ুক অদুদা। (‘নূপীমচা অমসুং ভূত’, লা. ৪৩)

লালহৌবগা মরী লৈনবা ঐখোয়গী খুনাইগী অকোয়বগী শক্তম্লুনা অসুম্না ফোঙদোক্লি— “মহৈ মরোং চুম্লবা/ঐগী লমদমগী পাক চাউরবা লৌবূক লমহাঙদা/শাৎলি নোংমৈ মরূশিং/মুল্লবা ফৌ পাম্বীশিংদা” -- আইরোনি য়াওনা ইঙ্গিৎতা ফোঙদোকপনি। অমুক মখা তারকই— “সনা কৈথেলদা/নোংমগী চরা নোংখন্নরিবী/ইমা ইবেলশিংগী লূকমায়দা থারি/এ. কে. ফোর্তিসভেন চবুন চবুন।” (‘নোংমৈ মরূগী শৈরেং’, লা. ৬২)

মতমসিগী ঐখোয়গী লমসিগী শাসন অমসুং সামাজিক্কী শক্তম্বু শাথীনা করেম্নরকই— য়ুমথঙনবা লৈবাক ম্যানমারগা চাংদম্নদুনা— “লম্বী শরক্তা ফুরীৎ য়েপশিন্দবা সিফাইনা উৎ ৱাইগুম/চাইরিবা।/সরকারনা জঙ্গল মনুংদা।/প্রজানা মাগী মাগী থোকপা হিংবা ঙম্ননবা/সংস্থানগী সংস্থান ঙাক্তা লিংখৎনরিবা।” (‘বর্ম্মা’, লা. ৫৪/৫৫)

‘ফুরীৎ য়েপশিন্দবা সিফাই’শিং অসিগী শক্তমসিনা লমচৎ কাম্বগী ৱাহম্থোক অমা ইঙ্গিৎনা ঊৎলি। অদুগা লমদমসিগী মশীং থীঙমদ্রবা সংস্থান ময়ামসিনা করম্বা মখলগী ওর্গেনাইজেসনশিংনো? মনুং মপাল নাইবা মখোয়গী এক্তিবিতিজ করি করিনো? য়াম্নমক রিএলিস্তিক ওইখ্রবা লাইতরভেন্দা থারকপা নুংঙাইখ্রবা শক্তমশিংনি।

অতৈ ফজবা শৈরেং কয়াসু য়াওরি। মদু স্পেসকী য়েংলগা পুথোকচদ্রে।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মথক্কী শৈরেংশিংদা তোঙানবা স্তাইল অনী উবা ফংঙি। শৈরেং খরদনা ফোঙদোক্লীংবদু খম থেংনা ফোঙদোকপা, মচা খায়না শন্দোক্লা থাবা; অদুগা খরদনা ৱাহৈ লীক্লা ইমেজ শাগৎপা, সতল ওইবা মফোঙদোক শীজিন্নৈ। ৱাহৈ অথোৎপা অমেঙবগা, অকনবা ব্লেদকুম্না ময়া থৌরবশিংগা য়ান্নদুনা চৎপগী ফজবসু থেংনৈ। ৱাহৈ পরেং অমনা ফোঙদোক্লিবা অর্থগা, মখা তানা ফোঙদোকরকপা অতোপ্পা পরেংগী অর্থগা, থওইনা কন্ত্রাদিক্ত তৌহল্লগা, কবিনা হায়নীংলিবা মপূম ওইবা মীৎয়েং অদুদি অপাবনা অদুমক লৌশীনবা ঙমহনবা স্তাইল অমসু থেংনৈ। মসিমসু অইবা অসিগী তোপতোপ্পা খ্বাইগা খেন্নরবা মশক অমনি।

লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক্তা দা. এম প্রিয়োব্রতনা হায়— “পরশুরামগী খ্বাইদগী ফজবদি মহাক্কী আইদিয়া অমদি ইমেজরিনা নীক নীক লাউনা নীংথিজরবা খূৎতা অসিনি।” (লা. ১২) লাইরিকসি পারগা নীলকান্ত-সমরেন্দ্রগী শৈরেং নৈনবদা দোক্তরেত ফংখ্রবা, মণিপুরী শৈরেংবু কৃপ্পা নৈনরিবা কাছাড়দগী দা. নাওরেম বিদ্যাসাগর সিংহানা অসুম্না হায়— “হৌখিবা চহী ৪/৫ সিদা মণিপুরী শৈরেংসি অনম-অহা চুদুনা লাকই। হন্দক্কী লাইরিক অসিদি য়াম্না ফজে ওম্থোক্লা ফ্রেশ ওইখ্রে।” ইন্দিয়ান ইংলিস কবি রোবিন এস ঙাঙোম্না হায়— “মাগীসি য়াম্না ফজরে। ঐহাক্লা ইংলিসতা খরা হন্দোক্লে খল্লি। অদুগা হৌজিক্তি মনুংদা লূপশিল্লগা দেপ্থ লৈবা শৈরেং ইরকপা ফরে।” ঐনা মঙোন্দা হায়— “মনুংদা লূপথরগা দেপ্থ লৈবা শৈরেং ইরকপা হায়বদুদি মতম্না অদুম পীরক্ননি। হন্দ্রেদ মিতরগী লমজেল চেনবগুম্না হাথু হাথুনা ওইবা ঙল্লোই।”

অঙাংদি নীংথাদগী খঙঙি হায়বদুনি। নহা ওইরিবা কবিসিদা পীথোরকপা মগুণ অমা উবা ফংঙি। অদুগীসু মথক্তা মথৌনা ফবা, হায়নীংবা ঙাঙনীংবদু লৌথূপ-লৌকোয় লৈতনা ফোঙদোকপা ঙম্বা, তৌশিন্নবা, থোক য়াওদবা, সিন্সিয়রিতিসু উবা ফংঙি। মহাক্লুম্না ইনহিবিসন য়াওদনা হায়নীংবা ইনীংবদু থঙ থঙ ইথোকপা ঙম্বা, মথৌনা লৈবা, মনীং মখা তম্না ফোঙদোকপা ঙম্বা ঐখোয়গী কবি নহা খরা থোরকপা পাম্মী।

ৱাহৈগী মকে শেমদুনা, কেথদুনা নৌথদুনা পেৎথদুনা, দুর্গা পূজাগী দোলদা অঙাঙবা অশংবা নাপু মচুগী চে নপ্পুনা শেম্থগুম্বা, আর্তিফিসিয়েল ওইবা, খূৎশেমগী কবিতা ইবদি হৌরক্লিবা কবি নহাশিংগী মফমদা থোকহন্নীংদে।

নোংমা য়াম্লুং রা. কু. ‘মধুবীরনা ‘এক্সন কবিতা’ কৌই হায়দুনা পরেং খরা থীখি। (তর্মসি অমুক্তা তাদ্রি) মদু মখাগী অসুম্না তৌই, চপচাবা অদুদি নীংশিংজদ্রে—

শা অশেম্বদু পীরকউ!
নত্তে নত্তে মী অশেম্বদু পীরকউ;
ঈনা তোপ তোপ তারিবা
হৌজিক্তা ককথবদা ঙায়রিবা অতেকপদু পীরকউ!

অতেকপা অহিংবা ফ্রেশ ওইবা অনৌবা পাম্মী। মদু রো ওইসনু; কুক্রুক কাদ্রাক লাউবা, মক্রেঙ মক্রেঙবা, মচি নাইবা ঈৎথোক নাম্থোক্তবসু ওইজসনু। শৈরেংগী কবিতাগী মথ্বায় হাপ্পা ঙল্লবদি য়ারে। খীং খীং লাউবা শক্তি লৈবা শৈরেংদি আর্তিফিসিয়েল ওইবা খূৎশেমগী পোৎথোক্তগী খক থোরক্লোই।❑

# অকোয়ববু ঙাকশেন্নবা মীফমদা পুথোকখিবা নহাক্লা তৌবা ঙম্বা থবক ১০৮ গী মনুংদগী খরা



মনেকা গান্ধী

**ঐহাক্কী** মমাঙ চয়োলগী ৱারেংদা পনখিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা ১৭ শুবা কর্ম্পানা মহাক্কী ৱেবসাইত্তা কগয়ু মোনাস্ত্রিজ এন্দ সেন্তরশিংগী বুদ্ধিস্তশিংনা পাঙথোক্কদবা তৌগদবা থবক ১০৮ গী লিস্ত পীরি। (http://www.gyalwangkarma pa.org/downloads/environment/108 things to Do.pdf) লিস্ত অসিনা তশেংনমক্কী পূক্লীং থৌগৎলি অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা মখা তানা কর্ম্পা অসিনা অচুম্বা থবক্তা, অচুম্বা পোৎতা হেন্না ময়েক শেংনা খূৎ থারকপগী মহাকপু ঐহাক্লা ব্যবহার তৌবা হেনগৎলক্লি। কর্ম্পা অসিনা ইন্তরনেতকী খূৎথাঙদা মীবু ইনফ্লুয়েন্স তৌরি অমদি মসিবু শীজিন্নরি। লিস্ত ১০৮ অদুগী কোলম মফম ঐহাক্কী লৈতে অদুবু ময়াম অদুগী মরক্তগী খনগৎতুনা ঐহাক্লা মতাঙ অসিদা খরদং থমজগে, মখা তাবদুদি অদোম্না য়েংবিয়ু। মসিবু ঐহাক্লা ধর্ম হায়না কৌজে, লৌজে।

মার্চকী তাং ২১-১৫, ২০০৯ দা বজরা বিদ্যা ইন্সতিত্যুত, সর্নাথ ইন্দিয়াদা কগয়ু মোনাস্ত্রিজ এন্দ সেন্তরগীদমক পাঙথোকখিবা অহানবা অকোয়ববু ঙাকশেন্নবা মীফম অদুদা পুথোকখিবা নহাক্লা তৌবা ঙম্বা থবক ১০৮ অদুদি ঃ

১। এস্পিরেসন প্রেয়ারশিং শেম্মু। ঐখোয়না এস্পিরেসন প্রেয়ারশিংসি থৱায় পানবা জীব পূম্নমক্কী ওইনা শেমগদবনি। মসিদা, ঐখোয়দা লেপ্তুনা পুন্সি পীরিবা মালেম পৃথিবীসু য়াওগদবনি। ঐখোয়না হেন্না নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা পৃথিবী অমগীদমক খুরুমগদবনি। ঐখোয়না ঐখোয় মীওইবনা তৌরিবা থবক-থৌরমশিংনা পৃথিবী অসিদা অমাঙ-অতা থোকহল্লি অমদি মদুনা মখোয়গী ব্যবহারদা হোংহল্লি হায়বসি খঙগদবনি।

২। পাদুনা, নৈনদুনা অমদি অকোয়বগী ইস্যুশিংগী মরমদা মুন্না খঙদুনা, লোয়ননা মতৌ করম্না নঙোন্দা অমসুং নহাক্কী কম্যুনীতিদা মদুনা অকায়বা পী হায়বসি খঙগদবনি।

৩। মনা-মশীং চাবা ওইয়ু। মদুনা থৱায় পানবশিংবু নুংশিবখক্তা নত্তনা নহাক্লা শীজিন্নখিবা রিসোর্সশিং অদুসু তাহনবা ঙমগনি। শনশা কেজি অমা পুথোকপদা ঈশিং লিতর ১০০,০০০ চঙঙি অদুগা গেহু কেজি অমা পুথোকপদদি ঈশিং লিতর ৭৫০ চঙঙি।

৪। চম্না হিংঙু। নহাক্লা দরকার ওইদবা লন-থুম পৈশিন্দনা য়ারিবমখৈ চম্না ভিনায়াভো প্রাক্তিস তৌদুনা হিংবা তম্মু।

৫। অকোয়বগী ভেল্যুশিংগী মরমদা মীয়ামদা খঙহনগনি। তাঞ্জা হেক ফংবদা মীওইবা অমদি মহৌশা অনীনা ফজনা লৈমিন্নবা-হিংমিন্নবা তাকপা বুদ্ধিস্তকী চৎনরকপশিং তম্বিগনি।

৭। চে য়ামদনা শীজিন্নবা, শূপ্নতগী চে পুথোক্লবা উ পাম্বী ময়াম অমা য়ান্থৎলি। চেগী নাকল অনীমক্তা প্রিন্তিং তৌবনসু য়াম্না খেন্নবা লৈহল্লি।

৮। ঈশ্বরদা পোৎ-চৈ কৎপদা, অফবখক্তা ওইনা কৎলু। অথুম্বগী মহুৎতা উহৈ-ৱাহৈ ওইনা লৈয়ু। নৎত্রগা লৈশিংবু ককথৎপগী মহুৎতা হেন্না থাজিল্লু।

নহাক্কী মোনাস্ত্রি নৎত্রগা নন্নরি হায়বদি লম্বোইবা নৎত্রগা লম্বোইবীশিংনা লৈফম মফম অদুদা নহাক্লা তৌবা য়াবশিং—

১। নেচরগী, মহৌশা লাইরেম্বীগী ওইবা মন্দেলা অমা শেম্মু। মদু মহৌশাদা ফংবা অঙক-অঙকপা পোৎশিং হায়বদি লৈ, উ পাম্বী, ঈশিংনচিংবগী অখন্নবা মফম ওইহনগদবনি। হায়রিবসি সুরফু মোনাস্ত্রি অসি স্বর্গগী মফমনি হায়না কগয়ুগী চৎনবীদগী মমাঙঙৈদগী হৌনা খঙনরকপা অদু ৱাখলদা থম্বদুননি। করিগুম্বা নহাক্লা অসিগুম্বা প্রোজেক্ত অসিগীদমক মতীক চাবা লম লৈত্রবদি মথক কৃপ্পা লৈকোল অমা ওইনা থম্মনবা খনবিয়ু।

৩। গাড়ী মশীং য়াম্না লৈগনু। অসুম চৎনদুনা তৌনদুনা লাকপা অমা হৌজিক লৈ মদুদি সেনিয়ার লামাশিংনা কার অমমম লৈনবা অসিনি। অদুবু মসিদি তঙাইফদবা নত্তে। গাড়ীশিং অসিনা অকোয়বদা কয়ামুক য়াম্না অমাঙ-অতা থোকহনবগে হায়বদু ৱাখন্দা কাউগনু, মখোয়সিনা কার্বোন পুথোক্তুনা মালেমগী ওইনা শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি।

১১। অনৌবা লম্বোইবা নৎত্রগা লম্বোইবী অমনা মোনাস্ত্রি নৎত্রগা নন্নরিদা নৌনা চঙলকপদা মখোয়না পৃথিবী অসিগী সেবা তৌবা ওইনা পাম্বী চার অমমম থাহল্লু। পাম্বীশিং অদুনা উ পাম্বী অমা ওইদ্রিবা ফাওবা চারা অদু মখোয়না শেন্নহনগদবনি।

১২। বিল্ডিং শাননবা উ বীমশিং দরকার ওইবা মোনাস্ত্রিশিংদা শীজিন্নগদবা উশিংগী শরুক অনীদি থাগদবনি।

১৩। ৱা অমমমদা প্রেয়ার ফ্লেগ অমমম য়ানবগী মহুৎতা স্ত্রিং অমদা পূন্না প্রেয়ার ফ্লেগ য়ানবা মীশিংবু পূক্লীং থৌগৎপিগদবনি। মোনাস্ত্রিগী লৈমায়দা মহৌশাগা নঙগা নক্লা পুনশিনগদবা অশেংবা মফম অমা শেম-শাদুনা থমগদবনি। ঈফূৎকুম্বা লৈবা নৎত্রগা উ পাম্বীশিং পূন্না হৌবা নৎত্রগা ফজরবা সিনরী পাক-শন্না উবা মফম অমগী অকোয়বদা প্রেয়ার ফ্লেগশিং থম্মু অমদি মোনাস্ত্রি অদুদা লৈরিবশিংনা মসিবু মেদিতেসন তৌফম গ্রাউন্দ অমা ওইহল্লু। ফজনা ঙমথবা মফমশিংদা উ পাম্বীশিং থাগদবনি। লেন স্লাইদ য়াম্না থোক্লনবা মফমশিংদা অমদি অনানবা মফমশিংদা উ পাম্বীশিং থাবগী হৈনবী থমগদবনি।

১৪। থাগদৌরিবদু চানবা-চূনবা অফবা মখলগী চারা খন্ননবা মফম অদুগী ফোরেস্ত দিপার্তমেন্ত নৎত্রগা এনবাইরনমেন্তেল ওর্গেনাইজেসন অমগা পূন্না থবক তৌমিন্নৌ। মফম অদুদা মশাগী ওইনা য়েলহৌঙৈদগী ফংজবা মান্নদবা উ পাম্বী মখলশিং খল্লু। মসি হায়বগী অর্থদি পাম্বীশিংদু ফজনা হিংবা ঙম্ননবনি।

১৫। মফম অদু খল্লবা মতুংদা, ফজনা মপূং ফানা হৌরবা অমদি মপূং ফানা হৌদ্রিবা চারা অমদি পাম্বীশিং য়ানশিন্নদুনা থাগদবনি। মসিনা নেচরেল হেবিতেত হেন্না লৈহনগনি লোয়ননা লম্পাক্তা ফংবা স্পেসিসশিং ফজনা হৌহনবা ঙমগনি। উ পাম্বী চারা থাবখক্লা মপূং ফাবা ওইদে; নহাক্লা মদু মসা-মরেঙ ফন্না উ পাম্বী অমা ওইনা হৌদ্রিবা ফাওবা শেন্নগদবনি।

১৬। মফম অদু শা-শন চঙবদগী ঙাকথোক্কদবনি অমদি চহী খরদি শজীক ওইনা, য়ুম কূপ্পনবা ওইনা, হীদাক-লাংথক্লচিংবগী হীরমদা শীজিন্ননবা তৌরোইদবনি।

৩৩। তুরেলশিংদা ফত্ত-হৌদি লংথোক্কনু। চেল্লিবা তুরেল অদুনা মাইল লীশীং মখা তানা চেন্থখিগদৌরিবনি অমসুং মদুনা মীওই মিলিয়ন কয়াগী থক্কনবা ঈশিংগী হৌরকফম ওইরম্বা য়াই হায়বসি নীংশিংঙু।

৩৪। ঈশিংগী হৌরকফম লাকফম ওইবা মফম অমগী মনাক্তা বাউন্দরী শাদুনা মফমদু নান্না, ফত্ত-হৌদি চঙহন্দনা অমদি শা-শনগী মথী-ময়ূং চঙহন্দনবা থম্মু।

৩৬। তুরেলশিংগী অমসুং পাৎকী মপান্দা মনা-মশীং থাজিল্লু। লোয়ননা ঈশিংগী মগুণ হেনগৎহল্লু। অশংবা এলগিগী কুয়োম অমনা কূপশিল্লবা পাৎশিং অমদি তুরেলশিংদা মহৌশানা হার অমসুং তীলহাৎ হীদাকশিংদা য়াওবা নাইত্রেক্তগী অৱাবা মায়োক্লহল্লি। মরম অসিনা মফম অদুদা মরু ওইনা ফংবা তৌ-য়েন্থৌনচিংবা পাম্বীশিং থাজিল্লু।

৩৭। করিগুম্বা মোনাস্তিক্কী লৈমায়দু লৌ উবদা শীজিন্নবা ওইরবদি হার অমদি তীলহাৎ হীদাক খজিক্তমক শীজিন্নদুনা য়ারবদি ওর্গানিক ফার্মিং ওইনা শীজিন্নবা হোৎনৌ। পূক্লীং থৌগৎলু। মদুগী মহুৎতা শম্বী-শনয়ুং অমদি পৎথ-পুমথরবা প্রদক্তশিং শীজিন্ননবা হোৎনৌ। তীলহাৎ হীদাক অমদি হার অয়াম্বা নোং চুরকপদা ঈশিং লৈবা মনাক নকপা মফমশিংদা চেন্থখি।

৪৮। নোং চুগন্দবা মফমশিংদা, নোংগী ঈশিং য়োক্লনবা থৌরাঙ তৌই। নহাক্কী য়ূমথক্তা তারকপা নোং মরীকশিং দাউনপাইপ্তা ৱাতর বেরেল শেমদুনা তাহল্লু। হায়রিবা ঈশিংদু লৈকোলদা শীজিন্নবা য়াই। য়াম্না ফজনা মওং তানা শেম-শাদুনা ঈশিং চুমথোক্লবদি নহাক্লা থক্লনবা ঈশিংগী ওইনা রেন হার্বেস্তিং তেঙ্ক শীজিন্নবসু য়াই।

৫০। ঈশিং অদু মোনাস্ত্রিগী (লাই) কৎফমদা নুমিৎ খূদিংগী ওইনা শীজিন্নরিবা অদুদা হান্না শীজিন্নবসু য়াই।

৫১। অঙৗংবা মতমদা, নুমিদাংৱাইরমদা মঙাল অমদি মৈশা ফজনা ফংননবা মমায় মখা ওন্দুনা অনৌবা বিল্ডিংশিং শাউ। মঙাল অমদি মৈশা ফংননবা অচৌ-অচৌবা থোঙনাওশিং হাপ্পু।

৫২। অশাবা মতমদনা, বিল্ডিংশিংদু ঈংথননবা সেদিং কুল শীজিন্নৌ। উরুম হেন্না ফংননবা মোনাস্ত্রিগী মখা থংবদা উ পাম্বীশিং থাউ। ফক্লাংদগী য়ামদ্রবদা সেন্তিমিতর ১৫ লাপ্পনা, হেন্না শাগদবা নাকল অদুদা মরী চৎপা পাম্বীশিং থাউ।

৫৭। মতম অয়াম্বদা মনাশিং শংদুনতা লৈবা উ পাম্বীশিং কালেন্থগী মতমদনা উরুম পীননবা অমদি নিংথমথাগী মতমদনা নুংশা য়ৈননবা থাগদবনি। মোনাস্ত্রিগী অকোয়বদা উ পাম্বীশিং থাগদবনি নৎত্রগা শম্বল শেমগদবনি। পাম্বীশিং অদুনা সোরোক্তগী ঊফুল অদু বিল্ডিং য়ৌরকহন্দনা ফাজীনখিগনি।

৬১। নহাক নশাগী ওইবা মনা-মশীং, ইনশাং-নাপীগী লৈকোল শেম্মু। অশংবা মনা-মশীং হেন্না চাদুনা হকচাং ফনা অমদি অকোয়বগী ফীবম ফনা থম্মবা মীৎয়েং অনীমক্তগীসু মরু ওই। নহাক নশাগী ওইবা মনা-মশীং থাবসিনা নহা ওইরিবা লম্বোইবা অমদি লম্বোইবীশিংবু মখোয় মশামক অমদি মহৌশা অনীনা অমনা অমগী মতেঙ লৌনবদু হেন্না খঙবা ঙমহনগনি।

৬২। উহৈ-ৱাহৈগী পাম্বীশিং অমদি ৱা পাম্বীশিং থাউ। মসিনা নঙোন্দা কান্নবা কয়ামরুম পীগনি।

৬৬। এনর্জী মতীক চানা পীবা মৈ শীজিন্নৌ। ময়াম্না থান্নরিবা বল্বশিংগী শরুক ৪ থোকপগী ১ দমক শীজিন্নরিবা লো এনর্জী কম্পেক্ত ফ্লোরেসেন্ত বল্বশিং শীজিন্নৌ।

৭৬। নুংশা মঙাল মরাঙ কায়না অমসুং লেপ্তুনা ফংবা মফমশিংদা সোলার এনর্জী শীজিন্নৌ। তিবেতিয়ান প্লেতু এন্দ হিমালয়দা ঈশিং শাহন্ননবা, মঙাল, মৈশা পুথোক্লবা সোলার এনর্জী শীজিন্নৈ।

৭৭। নুংশিৎকী এনর্জী শীজিন্নবগী ওইথোকপা লৈরবদি মদু পুথোক্লবা হোৎনৌ। নুংশিৎকী এনর্জী অসি য়াম্না শেংবা তেক্নোলোজীনি। অসিগুম্বা মখলগী এনর্জী অসি নহাক্লা ঈশিং চিংখৎপদা, মরূ-মরাং তকখায়বদা নৎত্রগা ইলেক্ত্রিসিতি পুথোকপদা শীজিন্নবসু য়াগনি।

৮৩। মীয়াম তিনবা থবক-থৌরমশিংদা লৈবাক্কী কপশিং অমদি ঊনা-ৱানাগী প্লেতশিং শীজিন্নৌ।

৮৬। মমিং লৈরবা সিল্ক খাতাশিং য়োনবগী মহুৎতা দিভোতিশিংদগী পৈশাদি য়ামদনা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াবা অশেংবা খাতাশিংগী মমল লৌগদবনি। মরমদি সিল্ক পুথোকপদা মুগা তীনশিং হাৎপননি। মসি কান্নরবা ধর্ম অমসুনি।

৯৪। অকোয়ববু ঙাক-শেন্দুনা থম্ননবগী মরমদা নহাক্কী অকোয়বদা ক্লাস শিল্লু, চৎথৌ। লেকচর পীননবা মফম অদুগী এন জি ওশিং নৎত্রগা অকোয়বগী মরমদা খঙ-হৈরবশিংবু বার্ত্তন তৌ নৎত্রগা হকথেঙননা প্রাক্তিকেল এক্তিবিতিশিং চৎথনবা নহা ওইরিবা লমকোয়বা অমদি লমকোয়বীশিং য়াওবা য়াই।❑

*শা-শনগী য়াইফ খোঙজঙগীদমক gandhim@nic.in দা পাউ ফাওবিয়ু।*

*—ইংরাজীদগী মণিপুরীদা ঃ* ***পিঐচ সত্যমালা***